

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, SEPTEMBER 23, 2019



*রুশিয়াগী একাটেরিনবর্গতা পাঙথোকখিবা মেন’স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অহানবা ওইনা সিলভর মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অমিত পানঘাল*

*পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা ওইনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবী মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী জপানগী নাওমী ওসাকা*

## ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ নুপা টিম গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ২০২০ এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্বালিফাই ওইখ্রে

*টাস্কেন্ট, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

উজবেকিস্তানগী কোনুং টাস্কেন্টতা শান্নরিবা কুমজা ২০২০ য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘বি’ গী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ নুপা ফুটবোল টিম য়ুম্বু উজবেকিস্তানগা গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রবসু ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপকী মকোক ওইদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ নুপাগী ফুটবোল টিম অসি এ এফ সি –১৬ চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফায়রদা মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ ২ মায় পাকপা অমদি মেটচ অমনা দ্রো চৎলগা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা পোইন্ট টেবলগী খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়ানা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ‘বি’ দা য়ুম্বু উজবেকিস্তান, বহারেন অমদি টুর্কমেনিস্তানগা পুল্লিবনি। ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা উজবেকিস্তানবু য়াম্না লায়না গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি। অনীশুবা মেটচ শান্নখিবদসু ইন্দিয়ানা বহারেনবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপা ফুটবোল টিম্না কুমজা ২০২০ এ এফ সি য়ু–১৬ গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা রাউন্দদা য়ুম্বু লৈবাক ওইখিবা উজবেকিস্তানগা শান্নখিবদা গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমা ফংখি।



*এ এফ সি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী য়ু–১৬ নুপা ফুটবোল টিম*

ইন্দিয়া অমসুং উজবেকিস্তাননা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরকখি। ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম অদু শান্নরকপদা গোল চনশিন্নবা ফনা কন্না হোৎনরকখ্রবসু উজবেকিস্তানগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী হাল্ফ অসি লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীমক গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হেক হৌরকপদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চখ্নদুনা উজবেকিস্তানগী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীশিন্দুনা লাকখি।

মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখ্নরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা শ্রিদার্থনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোখ্নরিবা উজবেকিস্তানগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক মরী–মরী চখ্নদুনা গোল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মতম খরা টিম অনীমক অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা উজবেকিস্তানগী শান্নরোই রিয়ান ইস্লামোভনা গোল অমা চনশিনখিবদগী মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখ্রবসু গ্রুপ অসিগী মকোক ওইদুনা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

এ এফ সি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়ানা ক্বালিফাই ওইরকপা অসি হন্দক অসি থারগা ৯লকশুবনি। মমাঙদা কুমজা ১৯৯০, ১৯৯৬, ২০০২, ২০০৪, ২০০৮, ২০১২, ২০১৬ অমদি ২০১৮ দা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে।

এ এফ সি য়ু–১৬ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মকোক থোংবা টিম ৪ না য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপকীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি।

## ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক শোকপদগী সিলভর ফংহৌরে, রাহুলনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

*নুর–সুল্টান, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

কজাখস্তানগী সিটি নুর–সুল্টানদা চখ্নরকপা ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়া শোকপনা মরম ওইরগা কেজি ৮৬ তা সিলভর মেডল ফংখ্রে, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা রেষ্টলর রাহুল অৱারে ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা মায় পাক্তুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখ্রে।

নুপাগী কেজি ৮৬ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা ফাইনেল বাওটতা ইরানিয়ান গ্রেট হাজসন য়াজদানিগা লম্বা তৌনগদবনি। অদুবু দিপক স্বিটজরলেন্দগী ষ্টেফান রৈচমুথকা লম্বা তৌনখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা শোকখিবদগী ফাইনেল বাওট শান্নবা ঙমখিদবনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

দিপক পুনিয়ানা ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা স্বিটজরলেন্দগী রৈচমুথ, কলম্বীয়াগী কার্লোস অরটুরো মেন্দেজ অমদি কজাখস্তানগী অদিলেট দেভলুম্বায়েভবু মায়থিবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল বাওট অদু ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিপক পুনিয়ানা করিগুম্বা লম্বা তৌনদুনা মায় পাক্লম্বা তারবদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা গোল্ড মেডল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা পুৱারী শেম্লমগদবনি। মহাক্লা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা অসিসু মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদবা ফজবা পার্ফোমেন্স ওইরিবনি।

ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬১ গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রাহুল অৱারেনা পান অমেরিকান চেম্পিয়ন য়ু এসকী রেষ্টলর টেলর লি গ্রাফপু পোইন্ট ১১–৪ দা থোইদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

বাওট অসিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রাহুল অৱারেনা চখ্নরকখিবা দবল লেগ এটেক অদুদা য়ু এসকী রেষ্টলর টেলর লি গ্রাফ অঙকপা পোকখি। বাওট অসি হেক হৌরকপদা ইন্দিয়াগী রাহুল অৱারেনা পোইন্ট ২ ফংদুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। অহানবা পেরিয়দতা রাহুল অৱারেনা পোইন্ট ৪–২ দা হেন্দুনা লৈখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রাহুল অৱারে সেমি ফাইনেল বাওটতা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ সিলভর মেডালিষ্ট বেকা লোমটাদজেগী মখূত্তা পোইন্ট ৬–১০ দা মায়থিহৌবনি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রাহুল অৱারে কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০০৯ অমদি ২০১১ গী এসিয়ান চেম্পিন্সিপ্তা রাহুল অৱারেনা ব্রোঞ্জ মেডল অনী লৌবা ঙমখিবনি।

কজাখস্তানগী নুর–সুল্টানদা চখ্নরকপা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা পুন্না মেডল ৫ লৌবা ঙমদুনা খ্বাইদগী ফজবা সিজন ওইবা ঙল্লি।

কুমজা ২০১৩ গী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা পুন্না মেডল অহুম লৌবা ঙমখি। অমির দাহিয়ানা সিলভর, বজরং পুনিয়ানা ব্রোঞ্জ মেডল অমদি সন্দিপ টুলসি যাদবনা গ্রেকো রোমানদা ব্রোঞ্জ অমগা লৌবা ঙমখিবনি।



*ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা সিলভর ফংখ্রবা দিপক পুনিয়া (ওই) অমদি ব্রোঞ্জ লৌখ্রবা রাহুল অৱারে*

## স্পেনগী মারিননা চাইনা ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, নুপাগীনা জপানগী মোমোটানা ফংখ্রে

*চাংঝৌ, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি চাংঝৌদা চখ্নরকপা য়ু এস দোলর ১,০০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফংখ্রে।

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অহুল্লক ওইরম্লবা অদুগা রিও ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংবু গেম ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা ২শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা স্পেনগী কেরোলিনা মারিনবু ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদগী হৌরগা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই টাই ঝু য়িংবু য়াম্না ফজনা লম্বা পীরক্তুনা গেম অনীমক ২১–১৭, ২১–১৮ দা থোইবা ঙমখিবদগী স্পেনগী কেরোলিনা মারিননা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অসি হৌবা ঙমখিবনি।



*নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন স্পেনগী কেরোলিনা মারিন*

চাইনা ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ৭শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংবু গেম ২–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসি অহানবা গেমদগী হৌরগা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। পোইন্ট ইন্নদুনা চৎলম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিংনা খরা ফজবা হেনখিবদগী জপানগী মোমোটাবু ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা গেম অমা শোখ্নরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা অনীশুবা গেমদা য়াম্না ফজনা শান্নরকপদগী ইন্দোনেসিয়াগী গিন্টিংবু ২১–১৭ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেমদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লরকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফজখিবদগী গেম অদু ২১–১৯ দা থোইদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অসি লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিওন অমদি কেভিন সুকামুলজোনা ২শুবা সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী অতোপ্পা পেয়র মোহমদ অহসান অমদি হেন্দ্রা সেটিয়াৱানবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১৮, ১৭–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

চাইনাগী ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ চাইনাগী পেয়র চেন কিংচেন অমদি জিয়া য়িফানন্না ২শুবা সিদেদ জপানগী পেয়র মিসাকী মাটসুটোমো অমদি অয়াকা টাকাহসিবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৪, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনাগী পেয়র ঝেং সিৱৈ অমদি হুৱাং য়াকিওংনা অনীশুবা সিদেদ অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র ৱাং য়িলু অমদি হুৱাং দোংপিংবু ২১–১৭, ১৩–২১, ২১–১৬ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

## জপানগী ওসাকানা পান পেসিফিকী টাইটল লৌখ্রে

*ওসাকা, সেপ্টেম্বর ২২(এজেন্সি)ঃ*


জপানগী সিটি ওসাকানা লৈবা উটসুবো টেন্নিস সেন্টরদা চখ্নরকপা পান পেসিফিক ওপনদা মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী জপানগী শান্নরোই নাওমী ওসাকানা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী শান্নরোই নাওমী ওসাকানা রুশিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া পাব্লিয়ুচেনকোভাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা ওসাকানা পাব্লিয়ুচেনকোভাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট শান্নরকপদসু জপানগী শান্নরোই ওসাকানা রুশিয়াগী পাব্লিয়ুচেনকোভাবু সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৩ দা থোইবা ঙমখিবদগী লৈবাক অসিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টকী অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চান হাও চিং অমদি লাটিসা চাননা অতোপ্পা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র সৈ সু ৱৈ অমদি সৈ য়ু চিবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৭–৫ দা থোইদুনা কাঙলূপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা গ্রানাদানা বার্সেলোনাবু ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*মাদ্রিদ, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা গ্রানাদানা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী ২শুবা মিনটতা গ্রানাদাগী শান্নরোইশিংনা চখ্নরকখিবা এটেক অমদা রামোন অজিজনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা শোখ্নখিবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গ্রানাদানা বার্সেলোনাদগী গোল ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল শোখ্নরিবা বার্সেলোনাগী টিম গোল হন্দোকপা ঙমদনা লাকখি। মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা গ্রানাদানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা অলভারো ভাদিল্লোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মখোয়না বার্সেলোনাবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা গেটাফেনা মাল্লোরকাবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি। শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা মাল্লোরকাগী শান্নরোই ইদ্রিসু বাবানা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা গেটাফেনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ৩৩শুবা মিনটতা গেটাফেগী জোর্জ মোলিনানা পেনাল্টি অমগী মতেংনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা গেটাফেগী অতোপ্পা শান্নরোই অল্লান নিয়োমনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা হেন্দুনা লৈখি। ৭০ অমদি ৭৭শুবা মিনটতা মাল্লোরকাগী শান্নরোই এন্টে বুদিমিরনা গোল অনী চন্দুনা ২–৩ দা শোখ্নদুনা লৈখি। মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা গেটাফেগী শান্নরোই এঞ্জেল রোদ্রিগ্বেজনা গোল অমগা চন্দুনা মেটচ অদু ৪–২ দা মায় পাকখি।

## ইরানগী নুপীশিংনা ফুটবোলগী ষ্টেদিয়মদা চঙবা য়াবগী অয়াবা পীগদবনি ঃ ফিফা

*পেরিস, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

সেপ্টেম্বর থাদা ইরানগী ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ব্লু গার্ল হায়না খঙনখিবা নুপীমচা অমনা ফুটবোল মেটচ অমা য়েংনবা চঙলকপদা থিংবগীদমক মশা মতোমতা শিজখ্রবা মতুংদা ফিফানা ইরানদা নুপীশিংনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা চঙদুনা মশান্না অসিবু মনীংতম্না য়েংনবগীদমক অয়াবা পীনবা ফিফানা হুকুম তৌখ্রে।

থৌদোক অদুগীদমক ফিফানা ইরানদা চৎতুনা ৱারী শান্নখি অমদি হুকুম অসি ঙসি থোকখিবনি। মখোয়না হায়খি, মদুদি মখোয়দা হঞ্জিন–হঞ্জিন হায়খ্রে নুপীশিংবু মনীংতম্না মশান্না অসিবু য়েংনবগীদমক অয়াবা পীগদবনি অমদি মখোয়গী মশীংসু মশান্না অসি কয়াম পাম্বগে হায়বদু য়োল্লিবা টিকেট অদুদগী খঙগদবনি।

ইস্লামিক রিপব্লিক্না কুমজা ১৯৮১ দগী নুপীশিংবু ফুটবোল অমদি অতৈ মশান্নশিং য়েংবগী অয়াবা অদু থিংজিনখিবনি। মসিগী মরমদি পর্দাগী চৎনবী অদুদগী কননবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

লৈখিদ্রবা সাহার খোদায়ারনা মহাক্না পামজখিবা ষ্টেগলাল এফ সি টিমবু শৌগৎচবদগী ময়াম্না ব্লু গার্ল হায়না খঙনখিবী অসিনা নুপাগী ফিজোল শেৎতুনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চঙনবা হোৎনবদা মহাক ফাখিবনি অমদি মহাক্না মশা মতোমতা কাপশিনজবদগী টেহরান হোস্পিটালদা লায়কন্নরম্লগা লৈখিদবনি।

মহাক লৈখিদবদা মালেমগী মফম কয়াদগী ফিফাদা ইরানবু ফুটবোলগা মরী লৈনবা অমসুং ইন্টরনেসনেলগী ওইবা মশান্না অসিদগী থিংজিন্দুনা য়াওহন্দনবা মৈ হৌনা শাওনখিবনি হায়রি।

হায়রিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা ৱার্ল্ড ফুটবোল গভরনিং বোদি ফিফাদা শান্নবগী তোঙান–তোঙানবা ওর্গনাইজেনশিংনা ইরানদা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন পাঙথোকপদা অথিংবা পীবিনবা হায়জখিবা লৈখি।

ফিভম অসি ফিফানা কুপ্না খন্নরবা মতুং ইরানবু ফুটবোল ষ্টেদিয়মশিংদা নুপীশিংবু চঙদুনা য়েংহন্নবা হুকুম পীখিবনি।

## ইন্দিয়াগী সরন অমদি স্লোভাকিয়াগী জেলেনেনা সেন্ট পিটর্সবর্গকী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে



*সেন্ট পিটর্সবগ, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

রুশিয়াগী সিটি সেন্ট পিটর্সবর্গতা চখ্নরকপা য়ু এস দোলর ১,২৪৮,৬৬৫ কী শেলগী মনা লৈবা এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্ট সেন্ট পিটর্সবর্গ ওপনদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমদি স্লোভাকিয়াগী ইগোর জেলেনেনা নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমদি স্লোভাকিয়াগী ইগোর জেলেনেনা ইটালিগী পেয়র মেট্টিও বেরেট্টিনি অমদি সাইমোন বোলেল্লিবু সেট অহুম চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং ৬–৩, ৩–৬, ১০–৮ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী দিভিজ সরন অমদি স্লোভাকিয়াগী ইগোর জেলেনেনা ক্রোএসিয়াগী নিকোলা মেকটিক অমদি ফ্রাঙ্কো স্কুগোরবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৫, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী গ্লাসগোদা পাঙথোক্লিবা য়ু এস দোলর ৪৬,৬০০ গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন অমদি চেক রিপব্লিক্কী মারেক গেনগেল বৃটেনগী জেমী মুরে অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পেত্রিক স্মিথকী মখূত্তা য়াম্না শোখ্না ষ্ট্রেট সেট অনী ২–৬, ৩–৬ তা মায়থিহৌদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ২৮৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | D | S | | H | A | R | P | | S | Q | U | A | D |
| S | K | E | E | | A | M | O | R | | P | U | N | C | H |
| H | I | L | T | | C | A | T | O | | E | A | S | E | L |
| A | T | T | A | C | K | H | A | M | M | E | R | | | |
| W | A | S | S | A | I | L | | | A | C | T | S | U | P |
| | | | I | N | T | | P | A | T | H | | E | R | A |
| M | I | S | D | O | | G | E | L | T | | A | M | I | S |
| A | T | T | E | N | D | E | R | M | E | R | C | I | E | S |
| L | E | O | S | | R | T | E | S | | A | I | S | L | E |
| T | M | C | | J | A | Z | Z | | A | N | D | | | |
| A | S | K | S | O | F | | | L | A | C | T | O | S | E |
| | | | A | T | T | I | R | E | C | H | A | I | N | S |
| P | I | N | O | T | | S | E | T | H | | S | L | I | T |
| O | V | I | N | E | | A | L | O | E | | T | E | T | E |
| V | E | X | E | D | | W | Y | N | N | | E | R | S | E |